# চীংগী লমদা ঙা য়োকপা

**ডাঃ য়ুম্নাম বেদজিৎ সিংহ**

***ঐখোয়গী*** ইরমদম মণিপুর অসিগী পাক চাওবগী চাদা মরিফুতরাদি চীংগী লমনি। হায়রিবা চীংগী লমদমশিং অসিদা ঙাগী পোখোক মরাং কায়না পুথোকপা অমসুং পুথোক্লবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা ৱাফম অমা ওইরক্লি। মসি নৎত্রবদি ঐখোয়গী ইরমদম অসিদা দরকার ওইরিবা ঙাগী পোখোক অসি পুথোকপা ঙম্লোই। মরম অদুনা মপান লৈবাকশিংদগী পুশিল্লকপা তাবনি। মসিদা ঐখোয়গী য়াল্লবা পৈশা কয়া মপান লৈবাক্কী মীশিংনা লৌখি অমদি ঐখোয়গী ইরমদমগী চাওখৎ খোংথাংদা অসুক্কী মতিক খুরৌ চেলহনবা হায়বসি মশানা তারবা ৱাফমনি। মসিদসু নত্তনা পুশিল্লক্লিবা ঙাশিং অদু চাবদা ফব্রা-ফৎতব্রা নৎত্রগা হীদাক লাংথক্কী চাং কয়াম য়াওরিবা হায়বসিসু য়াম্না মরু ওইবা ৱাফম অমা ওইরক্লিবনি।


সমুদ্র ইমায়দগী মিটর ৯১৫ হেন্না ৱাংবা মফমশিং অমদি সেলসিয়স দিগ্রি ২০ দগী হেন্না শাদবা মফমশিংদা লৈবা হৈনবা ঙাশিংবু অইংবা মফমদা লৈবা হৈনবা ঙাশিং হায়না খঙনৈ। হায়রিবা ঙাশিং অসি য়াম্না ৱাংবা চীংগী লমদম অমসুং ময়ায় ওইনা ৱাংবা চীংগী লমদমশিংদা লৈবা হৈনৈ। মহৌশাদগী লৈরক্লবা অমসুং অতোপ্পা মপানগী লৈবাকশিংদগী পুশিল্লকপা ঙাগী মখলশিং পুল্লগা ঐখোয়গী লৈবাক্তা ফংবা অইংবা মফমদা হৈনবা ঙা মখলশিং অসি ২৫৮ নি। মণিপুরদা ফংবা অইংবা মফমদা হৈনবা ঙা খরগী মমিং ওইনা পল্লবদা ঙারা, ঙাতিল, ঙাৱা, শারেংখোইবী, চীংউকাবী, ঙাতুপ, ঙামু শেনগুম, সনাঙা অসিনচিংবনি।

কনাগুম্বা খরদি চীংদবু ঙা করম তৌনা য়োক্কনি খনবদা অঙকপা খরদি ফাওবীরমগনি। অদুবু মফম মতমগী মতুং ইন্না খর খজিক ওস্থোক ওনশিন তৌদুনা ইরায় লায়না অমদি মায়পাক্লা ঙা য়োকপগী থবক পাঙথোকপা য়াই। ঙা য়োকপদা নত্তনা ঙা মচা পুথোকপনচিংবসু চীংগী মফমশিংদা পাঙথোক্লরি।


অয়াম্বা চীংগী মফমশিংদা ঈশিং তাংবগী অৱাবা লৈবগা লোয়ননা অৱাংবা মফম ওইবনা ঈংবগী খুদোংচাদবা কয়াসু ঙা য়োকপা মতমদা মায়োক্লরি। ঙা অয়াম্বনা অইংবা মফমদা হৈনগন্দে অমসুং মচিঞ্জাক চাবগী চাং হন্থবনা চাওবা থিন্থহল্লি। মরম অসিননি নীংথমথাগী মতমদা ঙাশিংনা চাওদ্রিবসি। মসিদসু নত্তনা প্লাঙতন (ঈশিংদা লৈবা অপীকপা জিবশিং) হায়বা মহৌশানা পীবা ঙাগী খ্বাইদগী ফরবা মচিঞ্জাক অসিসু অইংবা মফমদা নিংথিনা লৈবা ঙমদে। মরম অসিনা চীংগী লমদা ঙা য়োকপা মতমদা ষষ্থি , ষণয়ুংগী হার অমদি মচিঞ্জাক্লচিংবা নিংথিনা চাং নাইনা হাপ্পীবা মথৌ তাই। হায়রিবা মথক্তা পনজখ্রিবা মরম অসিদগী চীংগী লমশিংদা য়োক্লনবা ঙা মখল অসি মশা খরা হেন্না কনবা, অঈংবা মফমদসু হৈনবা লোয়ননা চিলহাও থিদবা অমসুং চাওগনবা মখলগী ঙা মখলশিং ওইনা খনবীগদবনি। তৌইগুম্বসুং মহৌশাদগী ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুর অসিদা ফংলিবা ঙাশিং অসি অয়াম্বনা য়োক্লবা অমদি মচা পুথোক্লবগী থবক পায়খৎত্রিবনা অতোপ্পা মপান লৈবাক্তগী পুশিল্লকপা ঙাশিং খুদম ওইনা হায়রবদা সিলভর কার্প, গ্রাস কার্প অমসুং কমন কার্প অসিনচিংবা ঙাশিং অসি হৌজিক হৌজিক চীংগী লমশিংদা য়োক্লরি। মহৌশাদগী ঐখোয়গী ইরমদম অসিদা ফংলিবা অইংবা মফমদা হৈনবা ঙাশিং অসিদি ঙা ফাবা মীওইশিংনা মখোয়গী মনাক্তা লৈবা চীংগী তুরেলশিংদগী ফাই অমসুং য়াম্না পুথোকপা ঙমদবা মরম্না মনাক নকপা কৈথেলশিংদমক ফংই। মতাং অসিদা হেন্না পূক্লিং চিংশিন্নিঙাই ওইবা ৱাফম অমা হায়রগদি তম্পাক্কী মফমশিংদা উবা ফংদবা মওং অমা চীংগী মফমদা হেক হেক উবা ফংই হায়বদি চীংনা ইকোয় কোয়শিনবা অদুগা ময়ায়দনা হেন্না কুৎথদুনা লৈবা মফম কয়া চীংগী মফমশিংদা লৈরি। হায়রিবা মফম অসিদদি শাবগী চাং য়াম্না হেনবা মরম্না তম্পাক্কী মফমশিংদা তৌবগুম অয়াম্বা মখলগী ঙাশিং য়োকপদা হেন্না খুদোংচাহল্লি অমদি চাওবগী চাংসু হেল্লি।

তম্পাক্কী মতৌগুম্না চীংদদি ইরায় লায়না ঙা মচা কোকপদি ঙমদে। কনাগুম্বনা ঙা মচা পুথোকপগী থবক পায়খৎনীংলবদি মরী লৈনবা এক্সপার্টশিংগা তানবিবা কাউবীগনু। ঙা মখলশিং য়ানশিন্নদুনা য়োকপগী থৌওং অমদি অতোপ্পা কম্পোনেন্ট কয়াগা ঙাগা মরী লৈনহন্দুনা মফম অমত্তদা মতম অমত্তদা য়োকমিন্নবগী থৌওংশিং অসি চীংগী লমশিংদা য়াম্না কান্নবা ফংবা য়াবা থৌওংশিংনি। চীংগী লমশিংদা ফৌ মরক্তা ঙা খরা খরতা ওইরবসু য়োকপা হায়বসি ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌজিক ফাওবা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মসি য়াম্না কান্নবা অমদি পূক্লিং থৌগৎনিঙাই ওইবা মখলগী ঙা খৃৎয়োক্লি। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবদি লৌ উবিরিবা মীপুম খুদিংমক্লা লৌ উবা মতমদা শুকশোয় শোয়দনা লৌবুক্তা ঙা মচা খরা থাদবিদুনা ইশাগী ইমুংখক্তগী ওইরবসু য়াবা ঙা কিলো খরদি ফৌ লোকপা মতমদা ফংনবা হোৎনবীগদবনি। অসুম তৌদুনা লৌবুক অমদগী ঙা খরদা ওইরবসু পুথোক্লবদি লৈবাক পুম্নমক্কী ফনা য়াম্না পুথোকপা ঙম্বগা মান্নরবনি অমদি ইমুং অমনা কৈথেলদগী লৈগদবা ঙা কিলো অনী/অহুমখক কনবদা লৈবাক্কী শেল থুমগী ফীভমদা ফনা য়াম্না কান্নবা ফংগনি। মরমশিং অসি লৈবনা শা-ঙা অমদি মহৈ-মরোংগী পোখোক হেনগৎহনবতা নত্তনা লৈবাক্কী শেল থুমগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনমিন্নরসি।


NGAMU SENGUM


SANA NGA


CHINGI LAMGI NGAYOK PUKHRI


SARENGKHOIBI

# য়েন্দা তোয়না থেংনরিবা লায়না - রানীকেট দিজিজ

**ডাঃ সরাংথেম জেস্মারাণী**

**লায়না** অসি ইহান হানবা ওইনা ইন্দোনেসিয়াদগী কুমজা ১৯২৩ দা থোরকপা থেংনরকই, মতুং তারকপদা ইন্দিয়াদসু উত্তর প্রদেশকী রানীকেট হায়বা সহরদা কুমজা ১৯২৮ দা থোরকপা থেংনরকপদগী লায়না অসিগী মমিংসু মফম অসিদা রানীকেট দিজিজ হায়না খঙনরি অদুবু অশেংবা মালেমগী ওইনা খঙনরিবা লায়না অসিগী মমিংদি ন্যু কেষ্টল দিজিজ হায়বা অসিনি। লায়না অসি মাঙজৌননা ঙাকথোক্লবা হোৎনহৌবিহৌদ্রগদি মশীং য়াল্লবা য়েনশিং শিহল্লক্তুনা য়াম্না চাউনা অমাঙবা পুরকপা লায়নাশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী মরু ওইবা লায়না অমনি। লায়না অসি য়েনাওদনা হেন্না শাথিনা নাহল্লি। অতোপ্পা উচেকশিং হায়বদি টর্কি, খুনু, ঙানুশিংসু হায়রিবা লায়না অসি নাগল্লি অদুবু য়াম্না শাথিবদি ওইদে। মসিগীসু মথক্তা ক্বাক, শেন্দ্রাং, ৱাহোং, তেনৱা, লঙজা অসিনচিংবা উচেকশিং অসিনসু লায়না অসিদগী মথং মথং শন্দোকহল্লি।

লায়না অসি পেরামিজোডাইরাইডিগী কাঙবুদা লৈবা য়াম্না পীকখ্রবা ভাইরস মখল অমনা থোকহল্লি হায়রিবা ভাইরস অসিনা মরম ওইদুনা নারবা য়েনশিংগী মথি (অমাংবা), মনাতোন অমদি মপানথোঙদা থোরকপা মহী মনায়শিংদা মশীং য়াল্লবা ভাইরস ময়াম অমা নুমিৎ নীনি হুমনিদগী শাংলবদা চয়োল ৩ দগী ৪ ফাওবা অদুমক লেপ্তুনা য়াওরক্তুনা মপান থোরকই। হায়রিবা মহীকশিংসি রুম টেম্পরেচরদা পুং কয়া কুইনা হিংদুনা লৈবা ঙম্মী। লোয়ননা য়েনগোনগী অকোয়বগী লৈবাকশিংদসু হায়রিবা মহীক অসি নুমিৎ ৮-২২ ফাওবা লৈবা ঙম্মী। হায়রিবা মহীক অসি ২৫° সেলসিয়সতা নুমিৎ ৩০ দগী ১০০ ফাওবা হিংদুনা লৈবা ঙম্মী। হুই হৌদোঙ কয়ানা অনাবা য়েন চারুরবদি হায়রিবা হুইশিং অদুগী অমাংবদা মহীক অসি নুমিৎ ৫ দগী থা ৪-৫ রোম য়াওদুনা মপান্দা থোক্লকই হায়নসু অখঙ অহৈনা মত পীরি। অসিগুম্লবা মশীং য়াম্না থোরক্লবা ভাইরসশিং অসি মনাক নকপদা লৈরিবা অতৈ নাদ্রিবা য়েনশিংদা চাবা থকপদা চীঞ্জাক অমদি ঈশিংদা য়াওখিদুনা লোয়ননা শ্বর হোনজিনবা মতমদা চঙখিদুনা নাদ্রিবা য়েনশিংগী মশাদা চঙখিদুনা লায়না অসি মথং মথং লৌনরক্তুনা মথং মথং পাক্লা চাউনা শন্দোরকই।

লায়না অসি মথং মথং শন্দোরকপগী চাংসি নুংশিৎত্তী শন্দোরকপগী চাংসি ৫০% লোয়ননা অনাবা য়েনশিংদগী লৌনরকপগী চাংনা চাদা ১৫ অমদি ১৫% অমনা মরম কয়ামুক্তগী ওইরকহল্লি। লোয়ননা লায়না অসি য়াম্না পাক চাউনা কালেনগী মতমদা অয়াম্বা নাহন্দুনা অমাং অতা কয়া অমা পুরকহল্লি।

**লায়নাসিগী লায়ওং ঃ**

লায়না অসিবু থোকহল্লিবা ভাইরসসিগী ষ্ট্রেনশিং অমদি উচেক মখলগীসু মখা পোল্লি। অহানবা ভেলোজিনিক ষ্ট্রেননা থোকহল্লিবসি য়াম্না শাথিবা মওংদা থোকহল্লি। অনীশুবা মেসোজিনিক ষ্ট্রেননা থোকহনবসি রেসপিরেটরি দিজিজ অমদি ন্যুরোলোজিক লায়ওং কয়া অমা থোকই অদুবু শিবগী চাংদি হন্থে। অহুমশুবা নেটোজিনিক ষ্ট্রেননা থোকপসি লায়ওং কয়া উবা ফংদে। অদুবু মরু ওইবা লায়ওংদি -

১) ইখঙ খঙহৌদনা য়েন ময়াম শিজিল্লকপা

২) তুকথনা চাও-থকউ য়াদনা উংদুনা লৈ, শ্বর কন্না হোনবা

৩) মমিৎ উইশিন্দুনা কুন্দুনা লৈবা, মমিৎ উইশিনবা, মশা অনী নাকন্দা থাদদুনা কুনবা

৪) শংবান্নবদগী হঙ্গামপাল হায়রপ চঙবা মথি অরাংবা ফাইরকপা

৫) মঙক অদু কোন্থোকপা/মথক লোমদা থেকৎপা

৬) চৎপা ঙমদদুনা তুরোই ঙারোই খোঙফম অমা অনী থাঙলগা চৎপদা পেরেলাইসিস তৌদুনা চৎপা ঙমদবা

৭) য়েরুম কোকপগী চাং হন্থগনি অমদি মকু অপাবা মরুম কোক্লকপসু করিগুম্বা মতমদা উবা ফংগনি।

৮) অয়াম্বনা নারবা য়েনশিং নুমিৎ নীনি হুমনিমুক নারম্লগা শিগল্লি। খরনা মখা তানা নাবসু মথং মথং তপ্না তপ্না শিরকপা থেংনগনি।

মহীক অসিগী ইনক্যুবেটসনগী মতমসি নুমিৎ ২-১৫ ফাওবনি। মসিদা ভাইরসতুগী লায়ওং থোকহল্লিবা ভিরুলেন্ট ষ্ট্রেনগীসু মখা য়াম্না পোল্লি।

**মহীক করম্না লৌনরকপা ঃ**

১) মহীকসি নুংশিৎতসু য়াওবনিনা শ্বর হোনবা মতম অমদি মহীক চাশিনবদগীসু হায়রিবা লায়না অসি শন্দোরকই।

২) টিকাদা কনট্যামিনেট তৌবা।

৩) লায়না চেল্লবা য়েনশিংগা দাইরেক্ট কন্টেক্ট তৌবা।

৪) অতোপ্পা মহীক য়াওরবা কোল-লিকশিং মচিঞ্জাকশিং ঈশিং অমদি য়েনগোন্দা শীজিন্নরিবা ৱাইশিংদগী লায়নাসি শন্দোরকই।

**লায়না অসি মখল অহুম থোক্লা খাইদোকপসু য়াই ঃ**

**ক) পর অ্যাকিউট ফোর্ম ঃ**

মসিদা নারবা য়েনশিংসি খঙহৌদনা নুমিৎ ৩-৪ ফাওবগী মনুংদা শিগল্লি।

**খ) অ্যাকিউট ফোর্ম ঃ**

মসিদা য়েনশিংসি ঈশিংওই হঙ্গামপাল মচুগী অমাংবা ফাইরকই, দাইরিয়া তৌরকই অমদি হকচাং খংহৌ খংচীংই।

**গ) ক্রোনীক ফোর্ম ঃ**

মখোঙ অমদি মশাশিং পেরেলাইসিস তৌরকই। শীংলি নাওরি শোন্থরকই অমদি চাদা থক্তবা, শোন্থরকপনা শিবা ফাওবা য়াওরকই।

**পোষ্ট মোর্টেমদা ফংলকপশিং ঃ**

য়েনগী মকনগী মথক্তা লৈবা জগা প্লোভেন্ট্রিকুলসতা হেমোরেজ লৈবা উগনি, মসিদসু নত্তনা ব্রেন, কলেজা, থবোম্বী, কিডনী, নুংশিৎ উতোং, ইন্টেষ্টাইন্দসু উবা ফংগনি, মরুমসু মহী লাংথোক্কনি, সপ্লিন চাওথোকপা উগনি।

**লায়না অসি চপ চানা খঙদোকপা ঃ**

মসিগী লায়না অসি মথক্তা পঞ্জখ্রিবা লায়ওংশিংদগীসু লায়না অসি নারব্রা হায়বদু চাওরাক্লা খঙদোকপা ঙমগনি। মসিগীসু মথক্তা লায়না অসিদগী শিরবা য়েনশিং পোষ্ট মোর্টেম তৌবিবা য়াই। মসি তৌনবা লমদম অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হাজবেন্দরিগী দি আই লেবতা তৌবিবা য়ারে।

**লায়েংবা ঃ**

লায়না অসিদগী নারবা য়েনশিং কন্ননবা/লায়েংনবা চপ চাবা হীদাক লৈতে। লোয়ননা তেল্লবা মতম নোংমা নীনিগী মনুংদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মশীং য়াল্লবা য়েন কয়া শিহল্লকই।


**লায়না অসিদগী করম্না ঙাকথোক্কনি ঃ**

লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা য়াম্না লূ-নান্না য়েনশিং থন্বীগনি। অতোপ্পা শেন্দ্রাং, উচেক-ৱায়া ময়াম চঙদনবা হোৎনবীগনি। অতোপ্পা অমনা মতম চানা টিকা থাদোকপীগনি।


ঐখোয় মফমসিদা ফংলিবা টিকা Lasota strain $F_1$ vaccine মনুংদা মমিৎ নৎত্রগা মনাতোন্দা দ্রোপ অমা থাদবীগনি। মসিগী মতুং নুমিৎ ১৫ নি লৈরগা অমুক হনবীগনি। লেয়রগী ওইরগনা মথক্কী টিকাশিংসি শীজিন্নরবা মতুং নুমিৎ ৪৫ নি শুরকপদা $R_2$ B strain vaccine অসি অমুক 0.5 ml subcutaneously/in tri muscular route তা কাপ্তুনা টিকা থাদোকপীগনি।

অনাবা য়েনশিং খন্দোক্তুনা তোঙান্না মফম অমদা থন্বীগনি। অনৌবা য়েনশিং হাপ্পীগে হায়রগদি নুমিৎ ১৫ নি লৈরগা হাপ্পীগনি।

লূ-নান্না অমদি মতম চানা টিকা থাদোক্লগদি হায়রিবা লায়না অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি।


RD_POST_MORTEM_LESION


VACCINATION


RNKT_DSES

# রিজার্ভেসনগী চৈথেং নংলবা তুংগী মীরোলগী মরাইবক

**— চোংথাম ধনচন্দ্র সিংহ —**

**উপ-মহাদেস** অমনি হায়নরিবা ইন্দিয়ানা বৃটিশকী মখূৎতগী নীংতম্বা অমুক হন্না কুমজা ১৯৪৭ কী ওগষ্ট ১৫ দা লৌহৌদুনা হৌখিবা ওগষ্ট ১৫ দা হুম্ফুতরা শুবা নীংতম্বগী নুমিৎ পালন তৌখিবতা ঙাইরি। কেন্দ্রদা লৈঙাক পায়রিবা লৈঙাকপশিংনা লৈবাক শিনবা থুংনা 'য়াদ করো কুরবানী' হায়দুনা থৌরম পাঙথোক্লি।

অদুবু নীংখা তম্বগী ৱাহন্থোক করিনো হায়বসি ঙসিগী মহৈরোয়শিংনা ইরায় লায়না পাউখুম্বদা ৱাগনি। মসিগী মরম খরদং পঞ্জবা তারবদি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মখাদা চৎনরিবা রিজার্ভেসন পোলিসি অসিসু অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

ঙসি ঙসিমক ইরমদম মণিপুরদা চৎনরিবা রিজার্ভেসনগী চৎন-কাঙলোন জেনরেলগী ওইনা চাদা ৫০, সেদ্যুল ট্রাইবকী ওইনা চাদা ৩১, ও বি সি মীতৈগী ওইনা চাদা ১২.৫, ও বি সি মীতৈ পাঙলগী ওইনা চাদা ৪, এস সিগী ওইনা চাদা ২ অমসুং অদরসকী ওইনা চাদা ০.৫০ হায়বসি মরম চাদে খঞ্জে। মরমদি হায়রিবা রিজার্ভেসন পোলিসি অসি মীশিংংদা য়ূম্ফম ওইবা তারগদি মৈতৈ-মীতৈগী অপূনবা মীশিংগী চাদা মরিফুরোমদি ও বি সিনি লৌবদা লাল্লোই।

অমরোমদা সেদ্যুল ট্রাইবকী ওইনদি অপূনবা মীশিংগী চাদা কুন্থ্রামাথোইনি হায়দুনা রিজার্ভ তৌরি। জেনরেল/অনরিজার্ভ কেটেগোরি অসিদদি মীতৈ নৎত্রগসু কনাগুম্বা ফুরুপ অমগী মীওইনা খুদোংচাবা লৌবা য়াই। মসিগী খুদমদি হন্দক্তা অন্দমান এন্দ নিকোভরদগী মীওই অমা থবক খঞ্জিল্লম্বদগী ৱাথোক ওইনখ্রিবদুনি। মরম অসিনা মীতৈ মহৈরোয়শিংগী তুংগী পুন্সিদা রিজার্ভেসন্না অচৌবা শাফু পীরগনি হায়বসি শোয়ফদ্রবা অচুম্বা ওইগনি খঞ্জে।

মখা তারকপদা কুমজা ১৯৮০ দা লিংখৎখিবা শিথরুরবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা কুমজা ২০০৫ দা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ওনখ্রবা মতুংদা থোক্লক্লিবা রিজার্ভেসনগী চয়েৎনবশিং নৈনবা চুমগনি। সেন্টরনা লৌশিনখ্রবা হায়বগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক্তি মসিবু চলাইবগী হক খুদিংমক ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ওইরে হায়বনি। লোয়ননা ইন্দিয়াগী মফম অমদা লৈবা মহৈরোয়শিংনা মফম অসিদা মহৈ মশীন তম্বা, থবক ইনখাং তৌবা য়ারে হায়বনি। মরম অসিননি সেন্ট্রেল রিজার্ভেসন রুলস চৎনহনখ্রিবদু।

অদুবু লাইবক থিবদি চীংগী মহৈরোয়গী ফুরুপ খরগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখি, সেন্ট্রেল রিজার্ভেসন পোলিসিগী মায়োক্তা। কনখ্রবা রিজার্ভেসনগী ঈরাং অদু মণিপুর লৈঙাক, ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং ঈরাং হৌরিবা কাঙবুগা ইন্দিরা গান্ধী নেসনল ট্রাইবেল য়ুনিভর্সিটি রিজনেল কেম্পস অমা লিংখৎপদা য়ানদুনা চীংমৈরোংদা লৈবা অদিমজাতি কমপ্লেক্সতা চলাইদুনা লৈরিবসিনি।

মসিগী পার্মিনেন্ট কেম্পসনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মখান্দা শেমগৎ শাগৎলিবসিনি। কেম্পস অসি অথুবদা লোইশিন্দুনা মপূং ফানা চলাইবা হায়বসি মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বা ওইগনি থাজজে। হীরম অসিদা মণিপুর লৈঙাক অমসুং কেন্দ্রগী লৈঙাক্লা মিৎয়েং চঙবীয়ু হায়জরি।

অদুবু খ্বাইদগী লুরিবদি পোলিটিক্সকী অয়ৌবী থাক্তা খূৎ থিংজিন্নরকপদগী কুমজা ২০১২ দা 'দি সেন্ট্রেল ইনষ্টিট্যুসন এমেন্দমেন্ট এক্ট' হায়দুনা মতমদুগী য়ু পি এ লৈঙাক্লা ওন্থোকপীরকপদগী ঙসি ঙসিমক মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা অরুবা সমস্যা ওইদুনা লৈরে। মতাং অশ্বাইদা মণিপুরদা লৈঙাক্লিবা কোংগ্রেসকী লৈঙাক অসিগীসু অচৌবা থৌদাং লৈ। মরমদি মণিপুরদগী থাখ্রিবা মীহুৎ খুদিংমক কোংগ্রেসকী ঙাক্তনি।

লোইশিল্লকপা অসিদি মণিপুর বিধান সভানা 'ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি বিল ২০১৬' শেম শাদুনা লৈরবনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিবু সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটিগী চৎন-কাঙলোন অদু মপূং ফাহন্দুনা তংদু লৈতাবা মহৈকোল ওইহল্লসি।

য়ুনিভর্সিটি অসিগী থৌবুরোইশিংনা অচুম্বা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন্না পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিং পাঙথোকপদা পুকচেল শেংবীয়ু হায়না থমজরি।